
# আই এন বি এ পি এন বি এ ৱর্ল্ড কপকী হেদ জজ ওইনা কৌরকপদা

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -




হন্দক ওস্ট্রেলিয়াগী কোনুং সিদনিদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এন বি এ পি এন বি এ (ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন অমদি প্রোফেসনেল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন) গী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০১৯ প্রোফেসনেল/এমেচর ৱর্ল্ড কপ্তা ঐহাকপু হেদ জজ ওইনা কৌবিরকপদি কংলৈচা অমা ওইনা য়াম্না চাউথোকচবা অমদি নুংঙাইবা ফাওজে। অসিগুম্বা প্রোফেসনেল অমদি এমেচর অনীমক পূন্না পাঙথোকপা মালেমগী ওইবা মশা-মউ ফবগী চাংদম্নবগী ফম্বাক্তা ঐহাকপু জজ পুন্নমক্কী মকোক ওইনা থৌদাং লৌবীদুনা শরুক য়াবীয়ু হায়না কৌবিরকপদি ঐহাক্কী থম্মোয়দা ঐহাকপু য়াম্না ইকায়খুম্নবীবনি হায়না খঞ্জে অমদি লৌজে।

মসিগী মমাঙদা ঐহাক মালেমগী ওইবা ফম্বাক্তা জজ অমা ওইবগী থৌদাংসি অদুম লৌখ্রে মরু ওইনা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল অমদি প্রোফেসনেল অমদি এমেচর নেচরেল ওলিম্পিয়াদা। আই এন বি এ টাইৱান অমদি আই এন বি এ ইন্দিয়াগী নুংদা লৈরিবা ৱাখল্লোন খরা য়েংলুরগদি হায়রিবা নেসনল লেভেলদসু জজ ওইবগী থৌদাংসি লৌজখ্রে। অদুবু হেদ জজ অমা ওইনা কৌবিরকপদি হন্দক্কীসিনা অহানবনি।

হেদ জজ অমা ওইনা কৌবিরকপা হায়বসি ইচম চম্বা থবক অমদি নত্তে হায়না থমজগে, মরুওইনা ইংলিসপু মরোল ওইনা ঙাঙনরিবা অদুগুম্বা লৈবাক অমদা ইংলিস হায়রিবা লোল অসিদা হেদ জজ অমা ওইনা ইথৌ পাঙথোক্কদৌরিবনি ইংলিসতা লোইনা ফোঙদোক্তুনা। চুম্নগী বোদিবিল্ডিং মশান্নখক্তং ওইরবদি খরসু লায়গদবা। অদুবু আই এন বি এ পি এন বি এ ৱর্ল্ড কপতদি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়া। মরু ওইবা মশান্নশিং অদুদি Men/Women's Bodybuilding, Men's Classic Bodybuilding, Men's Beach Body, Men's/Women's Physique, Men'/Women's Sports Model, Men/Women Physically Challenged, Men's Women's Body Quest, Women's Figure, Women's Figure Classic, Women's Fitness, Kids Fitness, Tenn Fitness অসিনচিংবা। মসিদা অমুক চহীগী অমদি অৱাং অনেমগী মতুংইন্না তোঙান তোঙান্না অমুক খায়দোক্লি।

হেদ জজ অমা ওইনা হায়রিবা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিং অসিবু ময়েক শেংনা খঙবা য়াম্না মথৌ তাই। তোঙান তোঙানবা মশান্নশিং অসিবু ময়েক শেংনা খঙবগা লোয়নন্না মশান্নশিং অসিবু শান্নরিবা শান্নরোয় অসিদগী করম্না মকোক মথং খনগনি হায়বসু খঙবা মথৌ তাই। মদুগী মথক্তা ইরোলসু নত্তবা ইংলিস হায়রিবা মালেমগী লোল অসিদা চাংদম্নবগী চৎন-কাঙলোন ময়াম ইন্দুনা শান্নরোয়শিংদা মখোয়না তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা কয়া অদু লাউথোক্কদৌরিবনি অমদি খঙহনগদৌরিবনি। মদুসু ইংলিস হায়রিবা লোল অসিবু মমালোল ওইনা ঙাঙলিবা লৈবাক অদুদা। থম্মোয়দা পাখৎপা পোক্তবদি নত্তে তোঙান তোঙানবা মশান্না ময়াম অমসু য়াওবগী মহুত্তা মীগী মরোল ইংলিসতা অমুক ঙাঙবদা।

অদুবু লাইবক ফবনা লাইরিক লাইশু খরা ৱাংলপ তমজহৌবনা লোলগীদি থোইদোক্না মীপাইবদি পোক্ত্রে। তৌবতবু বোদিবিল্ডিং হায়রিবা মশান্না অসিখক শান্নজবা শান্নরোয় অমা ওইনদি মশান্না ময়াম অসিগী মকোক মথং খনবগীদি মীপাইবা অদুম পোকই। অদুবু অঙম্বা হোৎনদুনা য়াম্না নিংথিনা পাঙথোক্কে হায়নদি হোৎনরি। মসি ঐহাক্কী খক্তা নত্তে। ঐহাক্না নিংথিনা পাঙথোক্লবদি টাইৱানবু, এসিয়া পূম্ববু (আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা মহুৎ শিন্দুনা চৎপনা) ইকায়খুম্নবীবতা নত্তনা ঐহাক্কী হৌরকফম ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুর হায়রিবা অপিকপা লমদম অসিবুসু মশক হেন্না খঙবীগদৌরিবনি অমদি ইকায়খুম্নবা উৎপীগদৌরিবনি। মমাঙগী অহুমশুবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল বেঙ্গলোরদা পাঙথোকপদসু ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা মকোক মথং তাবদা য়ু এস এদগী লাকপীখিবা আই এন বি এ পি এন বি এগী ৱর্ল্ড প্রসিদেন্ট দেনি কাকোস, মচানুপী, আই এন বি এ পি এন বি এগী প্লান্নিং ৱর্ল্ড ভাইস প্রসিদেন্ট Denise অমদি ঐহাকপু হেদ জজ ওইনা কৌবিরল্লিবা ওস্ট্রেলিয়াদগী লাকখিবা কেন রোসতা ঐহাক্না লেপ্পা লৈতনা মখোয় ঐহাক্কী পোক্লফম কংলৈপাক/মণিপুরদগীনি হায়দুনা চাউথোকচনা পাউদমজখিবনি ফম্মিন্নদুনা।

অসুম্না মপান থোক্তুনা অসিগুম্বা থৌরম কয়াদা য়াওরকপা হায়বসি লাইরিক লাইশু খরা তমহৌদ্রগদি ৱানা থোক্কনি অমদি অতোপ্পগা ৱা ঙাঙনবদা অৱাবা কয়া লাক্কনি হায়দুনা ঐহাক্না তোয়না তোয়না নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অসিদা শান্নবতা নত্তনা মহৈ মশীনসু নিংথিনা তম্নবা হায়জরিবা। করিগুম্বা ঐহাক্না লাইরিক লাইশু ইহৈ হৈহৌদদুনা ইংলিসকাসে ঙাঙদুনা ফোঙদোকপা ঙম্লমদ্রবদি ফনা চাউনা বোদিবিল্ডিংগী মশান্নদা মকোক ওইসনু হেদ জজ অমা ওইনা কৌরকপদি লুনা থোক্কনি খল্লি লোল নিংথিনা ফোঙদোকপা ঙমদবনা মরম ওইদুনা।

চুম্নগী জজ অমা ওইনা সুম য়াওবদি ইংলিস ইহৈ হৈত্রসু অদুম য়াবা য়াই ৱা ঙাঙবগী মথৌ তাদবনা। অদুবু হেদ জজ হায়বসিদি ৱা ঙাঙদবা শুকয়া য়াদে। অদো ইংলিসতু চৎনবা য়ানা হৈত্রদি, ঙাঙবা ঙমদ্রবদি করম্না হেদ জজ ওইদুনা চৎন-কাঙলোন ময়াম অদুবু ফোঙদোক্কনি। খরা ঙাঙজবা ঐখোয়ফাওবা অদুম মীপাইবা পোকই, মরুওইনা ইংলিসপু মমালোল ওইনা ঙাঙজবা ওস্ট্রেলিয়াগুম্বা লৈবাক অমদা। শান্নরোয় খক্তা নত্তে মফমদুদা তিনগদৌরিবা। য়েংবা লাকপীরিবা ময়াম অদুদি মালেমগী ইংলিসপু মমালোল ওইনা ঙাঙবা লৈবাকশিং হায়বদি য়ু এস এ, ইংলেন্দ, সাউথ অফ্রিকা, ন্যু জিলেন্দ, ওস্ট্রেলিয়ানচিংবা লৈবাকশিং অসিদগী মীওই কয়ামুকসু লাক্কদৌরিবনি। মসিগী মথক্তা অতোপ্পা মরোল লোনবা মীওই কয়া অমসু মালেমগী মফম কয়াদগী লাক্কদৌরিবনি। মখোয়বু খঙনবসু ঙাঙদবা য়াদেদো।

মথক্তা পঙ্খিবা মশা-মউ ফবগী মশান্না কয়া অসিবু ময়েক শেংনা খঙবা অমদি ইংলিস হায়রিবা লোল অসিদা ফোঙদোকপা ঙম্বগী মথক্তা ঐহাক্না মমাঙদা জজ অমা ওইনা লৌখিবা থৌদাং কয়াদগী ফংজরকখিবা অখঙ অহৈশিং অদুমসু য়েংদবা য়াদে। ঐহাক্না হান্না আই এন বি এ পি এন বি এগী নেচরেল ফম্বাক কয়াদা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়াবগী মথক্তা জজ অমা ওইবগী থৌদাং অসি লৌখিবা লৈরম্লবদি ঐহাকপু হন্দক্কী সেপ্টেম্বর থাগী তাং ৬ অমদি ৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রোফেসনেল অমদি এমেচর ৱর্ল্ড কপ অসিদা হেদ জজ অমা ওইবা হায়বদুদি ওইথোক্ত্রে। হীরমশিং অসি য়েংলবা মতুংদা ঐহাক্কী ইফমদা থাজবা থম্বীদুনা ঐহাকপু হেদ জজ অমা ওইনা কৌবিরকপনি হায়না খঞ্জে। ফীভম অহুমসিগী মনুংদা অমা হেক ৱাৎপদা হেদ জজ অমা ওইবা য়ারোইদৌরিবনি। অসিগুম্বা মখোয়না থাজবীবা অসিনসু ঐহাক্না হেন্নদুম চাউথোকপা ফাওজে কংলৈচা অমা ওইনা অমদি টাইৱানগী সিটিজন অমা ওইনা। হন্দক্কীসিদা ঐহাক্না হেদ জজ অমা ওইবা ফংবা হায়বসি ঐখোয়গী তুংগী য়েংলুবদা, মরুওইনা এসিয়াগী লৈবাক কয়াগী তুংগী য়েংলুবদা য়াম্না চাউবা খোঙথাং অমনি হায়না থমজগে। ঙসি ফাওবদা এসিয়াদগী মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা আই এন বি এ পি এন বি চাংদম্নবা মতমদা এসিয়াদা লৈবা মীওই অমত্তনা হেদ জজ ওইখিবা লৈখিবসু তাদ্রি। হন্দক্কা অহানবনি হায়না থমজগে। মসিনা তাকপদি এসিয়াদা আই এন বি এ পি এন বিগী খোঙজং অসি য়াম্না চাউবা অনৌবা খোঙজং অমনি হায়না লৌজৈ। অমরোমদনা হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ্তা এসিয়াগী মীওইদা হেদ জজ পীরকপা হায়বসি আই এন বি এ পি এন বি এ হেদ ক্বার্টরনা থাজবা থম্লে হায়বনি। অদুগা নাকল অমরোমদা য়েংলগনা ঐখোয়সু ইকুই কুইদ্রিবা মতম অসিদা আই এন বি এ পি এন বি এগী মালেমগী খোঙজংদা তিনবা ঙম্লে হায়বনি। অসুম্না ঐখোয়বু থাজবীবা, ইকায় খুম্নবীবা হায়বসি ঐখোয় এসিয়াগীদি য়াম্না লাইবক ফবনি।

ঐহাক্তা নত্তে হন্দক্কীসিদা হেদ জজ ওইগদৌরিবসি। ঐহাক্না লোয়নন্না আই এন বি এ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, রঘুনানন্দসু কো হেদ জজ অমা ওইগদৌরিবনি। অসিগুম্বা অচৌবা ফীদা অমা এসিয়াগী মীওই ঐখোয়দা পীরকপা হায়বসি ঐখোয়গীসু মকোক মথং খনবদা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌবা ঙম্লগনি হায়বনি। তৌবগীবুদি আই এন বি এ পি এন বি এ ফম্বাকশিংসে য়াম্না মীচং মীখায় নাইদনা মকোক মথং খন্দুনা লাকখিবনি অমদি মদু অদুম চথখিগনি। মসি জজ ওইরিবা ঐখোয়গী খূৎতসু য়াম্না লৈ। আই এন বি এ পি এন বি এগী তুংগী খোঙচৎতা মালেমগী ওইবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল, ৱর্ল্ড কপ, মিষ্টর ৱর্ল্ড, নেচরেল য়ুনিভর্সনচিংবা ফম্বাকশিং পাঙথোকপদা ঐখোয় এসিয়া মচানা হেদ জজ ওইদুনা পাঙথোকপা ঙম্লগনি খল্লি। মসি পূম্নমক অসি ঐখোয়দা থাজবীবা লৈত্রবদি ওইথোক্লম্লোই হায়না থমজগে।

হৌরকপদদি এসিয়াগী লৈবাকশিংদা মালেমগী ওইবা এসিয়া পেসিফিক্কুম্বা ফম্বাক অসি অসুক থুনা পুরকপা ঙমগনি খল্লুদবনি। অদুবু হৌজিক্তি এসিয়া পেসিফিক অহুম্লক্তুম শুরে এসিয়াদা পাঙথোকখিবা য়াম্না মায় পাক্লা। নীংশিংলি ঙসিসু ঐহাক্না অহানবা মিষ্টর ৱর্ল্ড মীংথোল লৌখিবদো ইরমদম কংলৈপাক অমদি টাইৱান অনীবু মহুৎ শিন্দুনা থোকপদা। মতমদুদা খল্লুদে ঐহাক ইশামক নোংমা এসিয়া পূম্বগী আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা থৌ পুরক্কনি হায়বা। অদুবু ঐহাক্কী শান্নরোয় অমখক ওইনা সুম থোকপগী ৱাখল্লোন্দু হোংখিবনি কুমজা ২০১৬তগী। হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা পাঙথোকখিবা মিষ্টর ৱর্ল্ডগী নোংমা ৱাৎলিঙৈদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা লুচিংবশিংগী মীফমদা ঐহাকসু এসিয়াদগী লাকখিবা লুচিংবা অমা ওইনা শকখঙবীদুনা ঐহাকপুসু ঐহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোন অমদি অপাম্বা খরা ফোঙদোকপগী তাঞ্জা অমখক পীবিখিবদো। তাঞ্জা অদু লৌজদুনা পুন্সিগী অহানবা ওইনা লুচিংবা অমগী শক্তম লৌদুনা ফোঙদোকখিবনি ঐহাক্কী আই এন বি এ পি এন বি এবু এসিয়াদা পুরকপগী অপাম্বদো।

ঐহাক্কী খ্বাইদগী চাউবা অপাম্বদি ঐহাক্না অদুগুম্বা নেচরেলগী ওইবা ফম্বাক অদুদা থোক্তুনা মকোক মথং ওইবা ফংলিবা অদুগুম এসিয়াগী লৈবাক কয়াদা লৈরিবা শান্নরোয় কয়াবু নেচরেলগী ফম্বাকশিং হাংদোকপীদুনা নেচরেল ওইনা শান্নজদুনা নেচরেল ওইনা থোকচনবগী তাঞ্জা অদু ফংহনবা অদুনি। মসিগী অপাম্বসি ঐহাক্না ফোঙদোকখিবনি অদুগুম্বা মীফম অদুদা। চহী অহুম্মুক্কী মমাঙদা ফোঙদোকখিবা ৱাখল্লোন ঙসিদি থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমজবদা কয়াদা নুংঙাইজবা ঐহাক্না কংলৈচা অমা ওইনা, আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা। পূম্নমক অসি ঐহাক্কী নুংশিরবা ইনাও রাকেশ, পাওনম রোমেশ, অরাম্বম অনিল, ইয়ানুপা ওইনাম বিক্রম, ইমুং-মনুং, লৈকায়গী ইচিন-ইনাওশিং, আই এন বি এ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, রঘুনানন্দন, শোধান, অতৈ আই এন বি এ ইন্দিয়াগী বোর্দ মেম্বরশিং অমদি নেচরেল শান্নরোয়শিং য়াওরমদ্রবদি ওইথোক্লম্লোই। হোয়, ৱর্ল্ড প্রসিদেন্টনা ঐহাকপু থাজবীবা অসিসু য়াম্না চাউবা মতেং অমনি। হেন্না নুংঙাইরিবদি আই এন বি এ মণিপুরসু ওফিসিএল্লি হাংদোকতুনা লৈবা ঙম্বা অসিনি। চুম্না হাংদোক্তুনা লৈবা নত্তে। অৱাং নোংপোক থংবদা লৈরিবা লমদমশিং অসিদদি ইরমদম কংলৈপাক্কী আই এন বি এনা য়াম্না চাউবা থৌদাং অমা লৌগদৌরি নেচরেলবু শন্দোকপদা।

অসিগুম্বা নেচরেলগী ওইবা খোঙজং অসিদা ইরমদমগী নহারোল শান্নরোয় অমদি মহৈরোয় কয়াগী মমা মপা ওইরিবী কয়ানা নেচরেলগী ওইনা শান্নজবা অমদি নেচরেল ওইনা থোকচরিবা শান্নরোয়শিং অসিবু শৌগৎপীয়ু। করিগুম্বা সোমগী ইচাশিংনা ষ্টেরোইদস, হোর্মোন অমদি দ্রগনচিংবা চাদুনা শান্নরক্লবদি সোমসু থম্মোয় শোক্না নুংঙাইরক্লোই, নীঙমলক্লোই। অচুম্বা লম্বীদা নহারোলশিংবু পুশিনবা হায়বসি মমা মপা ওইবা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাংনি হায়বসি নীংশিংমিন্নসি। অদুগা হকচাং শাজেল তৌবা অমদি শান্ন-খোৎনববুসু য়াম্না লায়না খন্দোকপা চুল্লোই, মরুওইনা হৌরক্লিবা নৌরিবা নহারোলশিংনা মোবাইল ফোন্দা মতম ময়াম অমা মাঙহনবতা নত্তনা মশা শোকহনবা মতমসিদা।

মোবাইল অমদি অতৈ মমা মপানা অমদি ঐখোয়গী খুন্নাইনা পামদবা শানৈ য়ুনৈবগী, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাশিনবগী, জ্বার শান্নবগী, হুরান-চিন্থি, মীহাৎ-মীপূন কয়া তৌবদগী ঙাকথোকসি হায়রবদি অঙাংশিংবু হকচাং ফনা লৈনবা শাজেল তৌহনবা অমদি চাং নাইনা শান্ন-খোৎনবগী হৈনবী অসি পিক্লিঙৈদগী শেন্বীহৌগদবনি। ময়াম্নসু হেন্না তাবীরম্লগনি ইনাক খুনবা অমদি লায়রবা ইমুং নাইদনা নহারোল কয়া অমা অসিগুম্বা পামদবা চিঞ্জাক চাশিনবা অমদি তৌহৈদবা হুরান চিন্থি ক্রাইমনচিংবা কয়া তৌরিবা। মখোয় অসি অয়াম্বনা লাইরিক লাইশু নিংথিনা তমদবা, শাজেল তৌদবা, শান্ন-খোৎনবসু য়াওদবা অদুগুম্বা মীওইনা অয়াম্বনি। হেক্তা য়েংবীয়ু অসিগুম্বা পামদবা থবক তৌখিবা অমদি তৌরকপদা। মখোয় অদু চাম্মগী মনুংদা ৯০ হেনবদি মহৈ মশীন, লাইরিক লাইশু তমদবা, শান্ন-খোৎনবা তৌদবা অদুগা শাজেলসু তৌদবা অদুগুম্বা মীওইনা হেনবা ওইরমগনি।

মরম অসিননি ঐহাক্না শান্ন-খোৎনবা অমদি শাজেল তৌদুনা হকচাং নাদ-য়েক্তনা লৈবদা অমদি নহৈ-নশিন নিংথিনা তম্বদা অসুক্কী মতিক লূম্না অমদি লুনা খল্লিবা। খুন্নাই অমা চাওখৎহনগে হায়রবদি খুন্নাই অদুদা লৈরিবা মীওইশিংদু ইহান হানবদা মশা-মউ ফবা মথৌ য়াম্না তাই। অদুগী মতুংদা লাইরিক লাইশু, মহৈ-মশীন নিংথিনা তম্বা মথৌ তাই। মসিগা লোয়ননা ইশা ইদোম হিংবা ঙমজনবা থবক চিলহাও থিদনা অঙম অঙম্বা হোৎনবা, শূবা। মশা ফৈ, লাইরিকসু হৈ হায়দুনসু লৈঙাক্না পীবা থবক্তা শেঞ্জাও শেঞ্জাও পীরগা থবক তৌগনি হায়দুনা লৈরবদি ইরমদম কংলৈপাক্তি অদুম নিদুনা হিংবা তাবনি। হৌজিক হৌজিকসু নিদুনা হিংলিবনি। মসিদগী ঐখোয় নিংখা তল্লসি হায়রবদি অহানবদা হকচাং ফনা লৈদুনা মহৈ মশীন নিংথিনা তমহনসি হৌরক্লিবা নহারোলশিং অমদি ঐখোয় পূন্নমক থবক চিলহাও থিদনা অফং অফংবা থবক শূবা তল্লসি। ঙল্লবদি ফর্ম তৌসি, শা-ঙা য়োকসি, উহৈ ৱাহৈ থাসি, স্মোল ইন্দষ্ট্রিনচিংবা হীরমদা খোঙ থাংজিনসি, হোমষ্টেনচিংবা হাংদোক্তুনা টুরিজম চাও-খৎনবা হোৎনসি, তোঙান তোঙানবা মখলগী সার্ভিসশিং মীয়ামদা পীবা তমসি, তৌসি।

হন্দক্তা ইরমদম কংলৈপাক্তা থোক্লকপদা দাইনামিক মণিপুরগী থৌরমদা মরুওইবা ৱাঙাঙলোই ওইনা শরুক য়াবদা ইনাওশিং, ইচলশিং খরা অমনা "Barber on Wheels" হায়না মফম মফমদা চৎতুনা শম ককপগী মীয়ামদা সার্ভিস পীদুনা মশানা শেন্দাল লম্বীদা চঙশিনবদা খোঙ থাংজিল্লিবা ইনাওশিং অমদি ইচলশিং অদুগসু থেংনদুনা ৱারী ৱাতাই ঙাইহাকসু শানখি। মখোয়গী অদুগুম্বা মশা মদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎনবগী ৱাখল্লোন অদু ঐহাক্তি য়াম্না শৌগৎচৈ। হেন্না মায় পাকপা ওইসনু। অতৈ ময়াম অমসু লৈরি। এপল ফর্ম তৌদুনা মীয়ামগী অপাম্বা থুংনা পাঙথোকপা ঙমদবগী পাউসু টি ভিদা, সোসল মিদিয়াদা তাখ্রে। অসুম্না তৌগদবনি মীঙোন দগী নিদনা হিংগে হায়রবদি।

লোইশিল্লকপদা, হন্দক ঐহাকপু অমদি আই এন বি এ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, রঘুনানন্দবু সিদনিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা হেদ জজ ওইনা কৌবিরকপদি ইশামক্না চাউথোকচবা পোকচবতা নত্তনা এসিয়া পূম্বগী ওইনা লাইবক য়াম্না ফবনি হায়না থমজগে। মসিনা মরম ওইদুনা আই এন বি এ এসিয়ানা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিবু শোয়দনা চাউনা মতেং পাংলগনি। হন্দক্কী বেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনলদা ৱর্ল্ড এন্টি-দোপিং এজেন্সিগী মখাদা দ্রগ টেষ্ট তৌখিবদো শান্নরোয় অনীমদি পোজিটিব তারে হায় অদুগা অমনা টেষ্টিং চথুরি হায়না পাউ তম্বীরকই ৱর্ল্ড প্রসিদেন্টনা। টেষ্টিং তৌবা অসিসু ঐখোয়গী য়াম্না চাউবা মতাং অমনি নেচরেলবু শন্দোকপদা। অসিগুম্বা ফীদমনীংঙাই ওইবা আই এন বি এ পি এন বি এ ৱর্ল্ডগী মখাদা পাঙথোকপা নেচরেলগী ওইবা ফম্বাক অমা ওইরিবা ৱর্ল্ড কপ্তা হেদ জজ অমা ওইনা কৌবিরকপদি ঐখোয় কংলৈচা খক্তা নত্তনা ইন্দিয়া অমদি এসিয়া পূম্বনা চাউথোকফম থোক্তবরা? য়াইফমিন্নরসি!!! ●




## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### জর্নেলিষ্টশিংগী পেন্সনগী শেনফম হেঙ্গৎপগী ৱাফম পাল্লিবা লৈঙাকসিনা পুমকাউ কাউখ্রে, মণিপুর এসেমব্লিনসু করিমত্তা চেক-মোক লাওখিদ্রে

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা থবক্তগী পোথারবা, খনগৎলবা সেনিয়র জর্নেলিষ্টশিং (এক্রিদিটেদ প্রেসমেন য়াওনা) দা লৈঙাক্না পীরিবা পেন্সনগী শেনফম অসি অতৈ ষ্টেটশিংদা তৌনবগুম হান্না পীরিবা শেনফম অসিদগী দবল হেঙ্গৎতুনা পীরগনি হায়না হৌজিক হৌজিক লৈঙাক চুক্লি পায়রিবা **বি জে পিগী লৈঙাক্না পব্লিক ফঙ্কসন কয়া অমদি অতৈ মখলগী ইন্টরভিয়ু কয়াদা হঞ্জিন-হঞ্জিন লাউথোকখিবা (ফোঙদোকখিবা) অমদি মরী লৈনবা মন্ত্রিনা এসেমব্লিগী ফ্লোরদা কম্মিটমেন্ট অমদি এসুরেন্স কয়া** পীখিবদু হৌজিক চহী অনী ফারকখ্রে। অদুবু লৈঙাক অসিনা চেক-মোক লাওদনা তুমিন্না কাউশিন্নদুনা, খঙশিন-উশিন্নদনা মন্ত্রিশিং অমসুং এম পিনা তুমিন্না লৈখ্রে। মসিদি ঐখোয় পূম্নমক হায়বদি মরুওইনা জর্নেলিষ্টশিংগীদি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়জনীংই।

হীরমসিগী মতাংদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪দা কৈশাম্পাৎতা পাঙথোকখিবা থবক্তগী পোথারবা, হৌজিক হৌজিক পেন্সন খরা খরা ফংলিবা সেনিয়র জর্নেলিষ্টশিংগী অপূনবা মীফম অমা অতৈ ষ্টেটশিংদা তৌনবগুম ঐখোয়গী ষ্টেট অসিদা লৈরিবা **লৈঙাক্না রিকগনাইজ** তৌরবা খনগৎলবা সেনিয়র জর্নেলিষ্টশিং অসিগী পেন্সনগী শেনফমসু হান্নদগী খরা হেঙ্গৎপীয়ু হায়না চীফ মিনিষ্টরদা জর্নেলিষ্টশিংনা মশা-মশাগী খূৎয়েক পীদুনা চেরোল কয়ামসু পীখি। চেরোলদুদা পেন্সনর জর্নেলিষ্টশিং অসিদসু **চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ (সী এম ঐচ টি)** গী কার্দ অদুসু পীবিয়ু হায়বা ৱারোলসু পনখি। অদুবু থা তরুক ফারক্লবা অসি ফাওবদা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈ অমদি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টনসু করিগুম্বা মখলগী লৌখৎফম থোকপা থবক অমত্তা লৌখৎতনা হৌজিক ফাওবা লৈরি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা হংনরুবদসু করিমত্তা খঙদবা মওংদা ওন্ন-তৈনবা পাউখুম পীদুনা লৈরি।

হংদ-হংজিল্লুরগা ওফিসলশিংনা ফাইল অদু অমুক্তা ষ্টদি তৌখিগে, ঐদি অনৌবা ওফিসরনি, হীরমসিদা করিমত্তা নোলেজ লৈতে হায়দুনা মরী লৈনবা ফাইলশিং শুকয়েং হেক য়েংদবগুম থা কয়ামরুম নমশিন্দুনা হৌজিকসু লৈরি। হীরমসিদা দিরেক্টরেটকী ওফিসলশিংনসু মন্ত্রিনা করি হায়রকপগে হায়দুনা মন্ত্রিগী য়াকা য়েংদুনা খূৎ অমত্তা থাদনা করিমত্তা নীংশিংলুবা তৌদনা লৈরি। ঐখোয়না পুং ২৪ ৱাকৎ-ৱানোম তৌবগী ফীভমদা লৈরি।

নীংশিংবা য়াবদি, মমাঙ চহীগী এসেমব্লি মীফমদা মরী লৈনবা মন্ত্রি ওইরিবা অমনসু এসেমব্লিগী ফ্লোরদা পেন্সনগী শেনফম অসি লুপা লিশীং তরা-তরাদা হেঙ্গৎলগনি হায়না হাওসতা এসুরেন্স পীদুনা লৈঙাক্কী ওইবা থাজবসু থমখ্রবনি। অদুবু থবক ওইনদি পাঙথোক্ত্রি। এসেমব্লিগী এসুরেন্স কম্মিটিনসু করিমত্তা থিগৎ-খোকৎপগী প্রোসিদিংস অমত্তা লৌখৎপা উদ্রি। **এসুরেন্স কম্মিটি কোনষ্টিট্যুইট তৌবরা তৌদবরা হায়বসু করিমত্তা খঙনদনা লৈরি।** মমাঙগী এসেমব্লিশিংদদি **এসুরেন্স কম্মিটিশিং** য়াম্না শক্তি লৈরম্মী অমসুং মন্ত্রিশিংনসু য়াম্না কি-হঙ্গোইনা চৎনরম্মী। অদুবু হন্দক্কী এসেমব্লি অসিদদি পূন্নমক্তুগী ওন্ন-তৈনবদা করিমত্তা চেক মোক লাওদনা লৈরি। মসিসু ঐখোয় জর্নেলিষ্টশিংদদি অমুক্কা হেন্না লাইবক থীবা হায়বদু ওইরি।

পনবা য়াবদি, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননদি মিদিয়াগী থোঙদা ঐদি ঙমলোইদৌবা (তৌরোইদবা) থবক অমত্তা তৌগনি হায়না ফোঙদোক্লোই - হায়খিবা, ঙাঙখি-শকখিবা খুদিংমক খুদক-খুদক্তা থবক ওইনা পাঙথোক্কনি চিন থিবা, তৌশিন্নবা পংঙাঙদা ঙাঙ-শকপদু ঐগীদি য়েক্লবনি, পূম্নমক্কা ঐগদি পুমখেন খেন্নগনি হায়দুনা য়াম্না মখৌ পোংনা ঙাঙ-শকখিবদু কনামত্তনা কাউনদ্রি।

অরোইবদা অমুক্কা হন্না ষ্টেট বি জে পিগী ফমসু পায়রিবা লুচিংবা অমনসু মমাঙগী এসেমব্লি ইলেক্সন মতমদা জর্নেলিষ্ট পেন্সনগী শেনফমসি **বি জে পিনা লৈঙাকপু হেক পায়রবদি** মী অমদা লুপা লিশীং ১০/১০ পীগনি হায়না মীয়ামদা ৱাশকখি। জর্নেলিষ্টশিংবু মোইথেম তৌখি। অদুবু হৌজিক্তি মহাক পূন্নমক্তু পুমকাউ কাউখ্রে। করিমত্তা নীংশিংবা থোক্ত্রে। পংঙাঙ-ঙাঙবা, পংশক-শকপগী মওংদা লৈখ্রে। করিমত্তা খঙশিন-উশিন্নখিদ্রে।

অসিগুম্বা কয়াসিদা মন্ত্রি/এম পিনা ঙাঙ শকপবু ঙাঙজসনু মৱা অমত্তা লৌবা য়াবা, চৎনবা অমদি থাজবা য়াবা ৱাফম অমত্ত নত্তে। ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী মতম লেনবনি হায়দুনা জর্নেলিষ্টশিংদি হৌজিকসু অদুম করিমত্তা ফোঙদোক্তনা পেন্থোক্তুনা লৈনরিবসিনি।

*অদোমগী - এন দেবেন*
*সেনিয়র জর্নেলিষ্ট*
*কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়, ইম্ফাল*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।